বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# চহী ১৪ মখাগী পিঞ্জবতি হায় স্কুল ৱাঙু, চহী ১৭ মখাগী থিনুঙ্গৈ-ফুবালা হায় স্কুলনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে





বিষ্ণুপুর, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস (দি ৱাই এ এস ও) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা হৌখিবা জুলাই ১৩ দগী ১৫ ফাওবা মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দ বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকপা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চহী ১৪ মখাগী পিঞ্জবতি হায় স্কুল ৱাঙু অমসুং চহী ১৭ মখাগী থিনুঙ্গৈ-ফুবালা হায় স্কুলনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

চহী ১৪ মখাগী নুপামচা কাঙলুপতা স্কুল ৫ অমসুং চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপতা স্কুল ১০ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসকী ওফিসর কে ঐচ সন্ধ্যারানি অমসুং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি এল নবচন্দ্রনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপকী ফাইনেল মেচ অদুনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা আর ঈ সী অমসুং পিঞ্জবতি হায় স্কুল শান্নখি। মেচ অদু চেম্পিয়নগী টাইটল লৌনবগীদমক টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা পিঞ্জবতি হায় স্কুলনা আর ঈ সীবু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা আর ঈ সীনা রন্নর্স অপ তাখি। পিঞ্জবতিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ বোথেনা মেচকী ১৮ শুবা, জর্সি নম্বর ১৪ দিঙ্কুনা মেচকী ৩৫ শুবা, জর্সি নম্বর ১৩ ইংসননা মেচকী ৪৫ শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ সনামতুমনা মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপকী ফাইনেল মেচ ওইনা থিনুঙ্গৈ-ফুবালা হায় স্কুল অমসুং কুম্বী হায় স্কুল শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফ লোইবা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা মেচ অদু গোল ১-১ দা লৈখি। অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবগীদমক এটেক কয়া চথনরকখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা থিনুঙ্গৈ-ফুবালা হায় স্কুলনা কুম্বী হায় স্কুলবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীরম্লগা কাঙলুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা মায়থীহৌরবা কুম্বী হায় স্কুলনা রন্নর্স অপ তাহৌখি। থিনুঙ্গৈ-ফুবালা হায় স্কুলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৪ এস থাংলেনরেংনা মেচকী ২১ শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৯ ঐচ মাইকেলনা মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি। মায়থীহৌরবা কুম্বী হায় স্কুলগী অমতা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৫ ঙাম্পু কোমনা মেচকী ৩০ প্লস ২ দা চনখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপতা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা পিঞ্জবতি হায় স্কুল ৱাঙু অমসুং চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপতনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা থিনুঙ্গৈ-ফুবালা হায় স্কুলদা ট্রোফি শিন্নখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# তেন্থা মোদেল স্কুলগা স্প্রিংফিল্ড ইংলিশ স্কুলগা ফাইনেলদা থেংগাইনরগনি



থৌবাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস (দি ৱাই এ এস ও) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা ৱাংজিং কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপকী ফাইনেলদা স্প্রিংফিল্ড ইংলিশ স্কুল ৱাংজিং অমসুং য়াইরিপোক হায় স্কুল অমদি চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপতা ব্রিলিয়ন্ট একাদেমি থৌবাল অমসুং স্প্রিংফিল্ড ইংলিশ স্কুল ৱাংজিং হয়েং থেংগাইনরগনি।

চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপতা স্কুল ৪ অমসুং চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপতা স্কুল ১১ না গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপতা অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা স্প্রিংফিল্ড ইংলিশ স্কুল ৱাংজিং অমসুং পেরেদাইজ ইংলিশ স্কুল থৌবাল হাওখা শান্নগদবা মেচ অদু পেরেদাইজ ইংলিশ স্কুল থৌবাল হাওখা লাক্তবদগী স্প্রিংফিল্ড ইংলিশ স্কুল ৱাংজিংনা ৱাকওভর ফংদুনা ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা তেন্থা মোদেল স্কুল অমদি লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল শান্নখিবা মেচ অদু তেন্থা মোদেল স্কুলনা গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। অদুম ওইনমক তেন্থা মোদেল স্কুলগী টিমদা অতোপ্পা স্কুলগী শান্নরোয় য়াওরে হায়না লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা প্রোটেষ্ট তৌরকপদগী ওর্গনাইজরশিংনা ভেরিফাই তৌরবা মতুং লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা মেচ অদু থোইহন্দুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা কাঙলুপ অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ব্রিলিয়ন্ট একাদেমি থৌবাল অমসুং লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল শান্নখি। মেচ অদু ব্রিলিয়ন্ট একাদেমি থৌবালনা লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলবু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা টিম ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপকী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা মরিশুবা গ্রাউন্দদা স্প্রিংফিল্ড ইংলিশ স্কুল ৱাংজিং অমসুং য়াইরিপোক হায় স্কুল শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা স্প্রিংফিল্ড ইংলিশ স্কুল ৱাংজিংনা য়াইরিপোক হায় স্কুলবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা টিম ওইখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপকী ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা অহানবা গ্রাউন্দদা তেন্থা মোদেল স্কুল অমসুং স্প্রিংফিল্ড ইংলিশ স্কুল ৱাংজিং শান্নগনি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপকী ফাইনেল মেচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবদা অনীশুবা গ্রাউন্দদা ব্রিলিয়ন্ট একাদেমি থৌবাল অমসুং স্প্রিংফিল্ড ইংলিশ স্কুল ৱাংজিং শান্নগনি হায়রি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এলাং কৈন্য হায় স্কুল, মার্টিন গ্রামর স্কুল, পদ্ম রত্না ইংলিশ স্কুল অমসুং গ্রেস কোটেজ একাদেমি মায় পাকখ্রে



ককচিং, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস (দি ৱাই এ এস ও) ককচিংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচিংগী শান্নবুংদা পাঙথোকপা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপতা শান্নখিবা মেচশিংদা এলাং কৈন্যা হায় স্কুল লাংমৈদোং অমসুং মার্টিন গ্রামর স্কুল ককচিং মায় পাকখ্রে। অদুগা চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপতা শান্নখিবা মেচশিংদা পদ্ম রত্না ইংলিশ স্কুল ককচিং অমসুং গ্রেস কোটেজ একাদেমি মায় পাকখ্রে।

চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপতা স্কুল ৮ অমসুং চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপতা স্কুল ১০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপকী মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এলাং কৈন্যা হায় স্কুল লাংমৈদোং অমসুং ভিক্টোরি হায় স্কুল ককচিং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা এলাং কৈন্যা হায় স্কুল লাংমৈদোংনা গোল ১-০ দা মায় পাকখি।

কাঙলুপ অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা মার্টিন গ্রামর স্কুল ককচিং অমসুং মোদেল হায় স্কুল ককচিং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী হৌনা মার্টিন গ্রামর স্কুল ককচিংনা মোদেল হায় স্কুল ককচিংবু লাকচরপ তৌনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা মার্টিন গ্রামর স্কুল ককচিংনা গোল ৪-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপকী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা পদ্ম রত্না ইংলিশ স্কুল ককচিং অমসুং ভিক্টোরি হায় স্কুল ককচিং শান্নখি। মেচ অদু পদ্ম রত্না ইংলিশ স্কুল ককচিংনা ভিক্টোরি হায় স্কুল ককচিংবু গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখি। কাঙলুপ অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা ইরমদম মহৈকোল একাদেমি লাংমৈদোং অমসুং গ্রেস কোটেজ একাদেমি শান্নগদবা মেচ অদু ইরমদম মহৈকোল একাদেমি লাংমৈদোং লাক্তবদগী গ্রেস কোটেজ একাদেমিনা ৱাকওভর ফংখিবনি।

# তরাহুমদোইশুবা চীফ মিনিষ্টর ট্রোফি ২০১৮ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর কাং এসোসিএসন (মকা) গী মীৎয়েং মখাদা বমদিয়ারদা লৈবা চীংথাং লাইরেম্বী কাংশঙদা লাক্লিবা ওগষ্টকী ১৭ তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা কাংখুৎশিংনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর কাং এসোসিএসনগী ওফিসতা নৎত্রগা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি হায়না মণিপুর কাং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ঈ সোভানা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়রি।

চেরাল অসিনা মখা তারদুনা হৌজিক হৌজিক আই পি কাংখুৎ ৱাঙ্গোইনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা লেট দল্লিয়ু নিপামচা কেন্দ্র ৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ অসি মণিপুর কাং এসোসিএসনগা চয়েৎনবা খরা লৈবা মরম্না মখা তাবা য়ান-চেরোল অমা থোক্ত্রিফাওবা অসিগুম্বা কেন্দ্র ৱাইজ টুর্নামেন্ট অসিদা কেন্দ্রগী কাংখুৎশিংনা শরুক য়াবীদনবা খঙহঞ্জরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মণিপুরদগী শান্নরোয় ৯ খল্লক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ থা অসিগী ২৬তগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা স্পেনগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা কেটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপী টিম শেম্বদা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৯ খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইন্দিয়াগী সেনিয়র ৱুমেন্স ফুটবোল টিম অদু খনগৎপদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৯ অদুদি-ঈ পান্থোইচনু, ও রোম্নী, টি ঐচ উমাপতি, এন জি স্বিতি, আই প্রমেশ্বরি, এম মন্দাকিনি, এন রতনবলা, এন জি বলা অমসুং দাংমৈ গ্রেসনি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন অসিগনা থাদোরকপা অতোপ্পা চেরোল অমদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১৭তগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা এ আই এফ এফকী 'দি' লাইসেন্স কোর্চতা পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী সর্তিফিকেটশিং লৌরবা য়াগনি হায়রি।

# অসাম রাইফলসনা মতেং পাঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৫(ঐচ এন এস)ঃ অসাম রাইফলসকী রেদ সিল্ড দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা সিংহাট বটালিয়ন অসাম রাইফলসনা থা অসিগী ২৩দগী মফম অদুদা পাঙথোকপা সিংহাট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮দা মতেং পাঙখ্রে হায়না প্রেসতা পি আই বি (দিফেন্স ৱিং)না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

সিংহাট এরিয়া ফুটবোল এসোসিএসন (এস এ এফ এ)না শীন্দুনা মফম অদুদা লিংজেল মান্নবা, তংদু লৈতাবা অমসুং চাওখৎপগী মায়কৈদা চঙশিন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না টিম ২৭না শরুক য়াদুনা শান্নখি। টুর্নামেন্ট অসি ওগষ্ট ১৫ ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিৎ ফাওবা চথগনি হায়রি।

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্টকী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোয় খনবগী ত্রায়ল সেলেক্সন অমা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ওগষ্ট ৬ অমসুং ৭তা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। হায়রিবা নুমিৎ নিনি অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্টশিং অদুদি- এথলেটিক্সতা চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপীমচাশিং, অর্চরিদা চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপীমচাশিং, কবাদ্দিদা চহী ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপীমচাশিং অমসুং সোফট বোলদা নুপামচাগী চহী ১৭ মখাগী কাংলুপনি। শরুক য়ানিংবা স্কুল অমসুং ইন্সটিট্যুটশিংনা ওফিস অসিদগী ইলিজিবিলিটি ফোর্মশিং অদু লৌরগা ওগষ্ট ৩ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

# রসিয়া ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী সৌরব ভর্ম্মা অমসুং রিতুপর্না দাস প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে





ব্লাদিবোষ্টোক, জুলাই ২৫ (এজেন্সী)ঃ রসিয়াগী সিটি ব্লাদিবোষ্টোক্তা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৭৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট, ২০১৮দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং সৌরব ভর্ম্মা অমসুং রিতুপর্না দাস প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ওগষ্ট ১৮দগী হৌরগা সেপ্তেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী টিম শেম্বদা শরুক য়াখ্রবা নুপাগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিদনা ৮শুবা সিদেদ ওইরিবা সৌরব ভর্ম্মানা ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় রাহুল যাদব চিতাবোনিয়াবু ২৩-২১, ২১-১১দা মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী নেসনেল চেম্পিয়ন ওইরম্লবী রিতুপর্না দাসনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক রসিয়াগী শান্নরোয় ভিক্টোরিয়া স্লোবোদয়ানয়ুকপু ২১-১১, ২১-১৮দা মায়থীবা পীদুনা মহাকসু প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিদা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগী সিঙ্গলসতা সিধার্তপ্রতাপ সিংহ, ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় সুভাঙ্কর দে, ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় মুগদা অগ্রে অমসুং ভ্রুসালি গুমাদিনি। দবলসতা অরুন জোর্জ অমসুং সনয়াম সুক্লানি।

সুভাঙ্কর দেনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় অজয় জয়ারামবু রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা ১৫-২১, ২১-১৪, ২১-১৫দা মায়থীবা পীরমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় ইন্দিয়াগী পরুপলি কশ্যপ অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী রিওটারো মারোগী মখুত্তা ১২-২১, ১১-২১দা মায়থীহৌখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সাই গুরুদত রসিয়াগী শান্নরোয় ব্লদিমির মালকোবকী মখুত্তা ১৪-২১, ৮-২১দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়াগী সিধার্থ প্রতাপনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোধিট জোসিবু ২১-৮, ২১-১৪দা অনীশুবা রাউন্দ মায়পাক্তুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌননবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সুভাঙ্কর দেগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী মুগদা অগ্রেনা মলেসিয়াগী য়িন ফুন লিমবু ২১-১৬, ২১-১৯দা থোইদুনা প্রী ক্বার্টর য়ৌখি। লৈবাক অসিমক্কী শান্নরোয় ভ্রুসালি গুমাদিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা রসিয়াগী এলিনা কোমেন্দ্রোবসকয়াবু ২১-১১, ২১-১৬তা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী অরুন অমসুং সনয়ামনা রসিয়াগী পেয়র ব্লাদিমির নিকুলোব অমসুং অর্টেম সর্পিয়োনোবপু ২১-১৫, ২১-১৫দা থোইবা ঙমদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না মথংগী রাউন্দদা কনাদাগী জেফ্রি লাম অমসুং ইংলেন্দগী হিন সুন ৱোংগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবী ইন্দিয়াগী সাই উটেজিথা রাওবু কোরিয়াগী শান্নরোয় বিয়োল লিম লিনা ১৪-২১, ১৫-২১,১৮-২১দা মায়থীহৌখি। অদুগা ইষ্টোনিয়াগী কৃষ্টিন কুবানা ২১-১৩, ২১-১৫দা ইন্দিয়াগী ভৈদেহি চৌধুরিবু মায়থীবা পীরমখি।

# জদেজা অমসুং অশ্বিন বোলিংগী রেঙ্কিংদা মফম লেঙদনা লৈরি

দুবাই, জুলাই ২৫ (এজেন্সী)ঃ ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা টেষ্ট ক্রিকেটকী বোলরশিংগী ওইবা মকোক মথং নাইবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী বোলর অনী রবিন্দ্র জদেজা অমসুং রবিচন্দ্রন অশ্বিন মখোয়দা লৈখিবা অহুমশুবা অমদি মঙাশুবা পোজিসন অদুদগী লেঙদনা লৈরি।

রবিন্দ্র জদেজা পোইন্ট ৮৬৬ ফংলগা পরিং অসিগী অহুমশুবা থাক্তা লৈরিবনি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোলর রবিচন্দ্রন অশ্বিন পোইন্ট ৮১১ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরি। টেষ্ট বোলরশিংগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা বোলর অদু পোইন্ট ৮৯২ ফংলিবা ইংলেন্দগী জেমস এন্দরসননি।

সাউথ অফ্রিকাগী বোলর কাগিসো রবদানা পূন্না পোইন্ট ৮৮২ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈরি। মরিশুবা থাক্তা অতোপ্পা সাউথ অফ্রিকাগী বোলর ভর্নোন ফিলান্দরনা পোইন্ট ৮২৬ ফংলগা লৈরি। ৬ শুবা থাক্তা পোইন্ট ৮০০ ফংলিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেট কম্মিন্স, ৭ শুবদা পোইন্ট ৭৯৫ ফংলগা ন্যু জিলেন্দগী ট্রেন্ট বোল্ট, ৮ শুবদা পোইন্ট ৭৯১ ফংলিবা শ্রী লঙ্কাগী রঙ্গনা হেরাথ, ৯ শুবদা পোইন্ট ৭৬৫ ফংলিবা ন্যু জিলেন্দগী নিল ৱেগনর অমসুং ১০ শুবদা পোইন্ট ৭৫৯ ফংলিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোস হেজলৱুদনি।

টেষ্ট ক্রিকেটকী বেটসমেনশিংগী ওইবা মকোক মথংগী পরিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাত কোলি পোইন্ট ৯০৩ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ষ্টিভন স্মিথনা পোইন্ট ৯২৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

ইংলেন্দগী বেটসমেন জো রুটনা পোইন্ট ৮৫৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা, ন্যু জিলেন্দগী কেন ৱিল্লিয়মসন পোইন্ট ৮৪৭ ফংলগা মরিশুবদা লৈরি। মঙাশুবদা পোইন্ট ৮২০ ফংলগা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেবিদ ৱার্নর, ৬ শুবদা পোইন্ট ৭৯৯ ফংলগা ইন্দিয়াগী চিতেশ্বর পুজারা, ৭ শুবদা পোইন্ট ৭৫৪ ফংলগা শ্রী লঙ্কাগী দিমুথ করুনারতনে, ৮ শুবদা লৈবাক অদুমক্কী পোইন্ট ৭৩৩ ফংলিবা দিনেশ চান্দিমল লোয়ননা সাউথ অফ্রিকাগী দিন এলগরনা পোইন্ট ৭২৪ ফংলগা অদুগা অতোপ্পা লৈবাক অদুমক্কী এদেন মারক্রামনা পোইন্ট ৭০৩ ফংলগা ১০ শুবদা লৈরি।

ৱান ডেগী বোলরশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী জসপ্রিট বুমরানা পোইন্ট ৭৭৫ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। মহাক্কী মথংদা অফঘানিষ্টানগী রসিদ খাননা পোইন্ট ৭৬৩ ফংলগা লৈরি। অহুমশুবদা পোইন্ট ৭৫০ ফংলগা পাকিষ্টানগী হাসন অলি, মরিশুবদা পোইন্ট ৬৯৯ ফংলগা ন্যু জিলেন্দগী ট্রেন্ট বোল্ট, মঙাশুবদা পোইন্ট ৬৯৬ ফংলগা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোস হেজলৱুদ, ৬ শুবদা পোইন্ট ৬৮৪ ফংলগা ইন্দিয়াগী কুলদিপ য়াদব লোয়ননা ৭ শুবা, ৮ শুবা, ৯ শুবা অমসুং ১০ শুবা পোজিসনদা সাউথ অফ্রিকাগী ইমরান তাহির, ইংলেন্দগী অদিল রসিদ, সাউথ অফ্রিকাগী কাগিসো রবাদা অমসুং ইন্দিয়াগী য়ুজবেন্দ্র চহলনি।

ৱান ডেগী বেট্টিংদা ইন্দিয়াগী ভিরাত কোলিনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। মথংদা ইংলেন্দগী জো রুট, অহুমশুবদা পাকিষ্টানগী বাবর আজম, মরিশুবদা ইন্দিয়াগী রোহিট শর্ম্মা, মঙা শুবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেবিদ ৱার্নর, তরুকশুবদা ন্যু জিলেন্দগী রোস টেলর, তরেৎশুবদা সাউথ অফ্রিকাগী ক্বিন্টন দি কোক, নিপানশুবদা সাউথ অফ্রিকাগী ফাপ দু প্লেসিস, মাপনশুবদা ন্যু জিলেন্দগী কেন ৱিল্লিয়মসন অদুগা তরাশুবদা ইন্দিয়াগী সিখর ধৱন লৈরি।

# ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎনা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখুৎ-সীবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ আই পি টিম ৱাঙ্গোইনা শিন্দুনা ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকাইগী কম্যুনিটি হোলদা লৈবা কাংশঙদা পাঙথোকপা অহানবা লেট দল্লিয়ু নিপামচা সিংহ এক্স সী এম মণিপুর মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎনা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখুৎ-সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাংখুৎ ১০ না শরুক য়াদুনা কাঙলুপ মরি থোক্না খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা লেট দল্লিয়ু নিপামচা সিংহ এক্স সী এম মণিপুর মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎ অমসুং ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখুৎ-সী শান্নখি। মেচ অদু ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখুৎ-সীনা মায়কৈ খনখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদু লোইশিল্লকপদা ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎনা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখুৎ-সীবু পাঞ্জল ১০-৬ তা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেচ ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা হিয়াংলম কেন্দ্র কাংখুৎ অমসুং ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখুৎ শান্নখি হায়রি।

খঙহঞ্জবা

The 25/07/2018

Bishnupur District Badminton Association (BDBA) না পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা 8th District Level Badminton Championship - 2018 অসি টেক্নিকেলগী প্রোব্লেম খরদগী মতম খরগী ওইনা য়েথোকচরে। মরম অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক Entry থাজিনখিবা প্লেয়রশিংনা Bishnupur District Badminton Association (BDBA) গী ওফিসতগী অকুপ্পা মরোল খঙবীনবা সেক্রেটরিনা খঙহঞ্জরি।

Sd/- Secretary, Bishnupur District Badminton Association (BDBA)

HL-P/5135/26

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com